অঙাংশিংগী বাইবল

খুদোল তমজরি



# শেম্বীবা মপুগী নিংথিজরবা য়ুম, সোরারেন

অইবা: Edward Hughes

অয়েকপা: Lazarus

শেমদোকপা: Sarah S.

হন্দোকপা: মধুচন্দ্রা মোইরাংথেম

পুথোকপা: Bible for Children
www.M1914.org

©2019 Bible for Children, Inc.
অয়াবা পীবা: লাইরিক মচাকশিং অসি নহাক্না নমথোকপা য়াই
অদুবু য়োন্দুনা শেন্দান লম্বী ওইনা শীজিন্নবা য়াদে।

যীশুনা তাইবংপান্দা লৈরিঙেদা মহাক্কী তুংইনবশিংদা সোরারেনগী মরমদা ৱারী লীবিরম্মি। মদু মহাক্না “ঐগী ইপাগী য়ুম” হায়না কৌখি, অদুগা মফম অদুদা কা য়াম্না য়াওবা য়ুমজাউশিং লৈ হায়রম্মি। য়ুমজাউ অদু য়াম্না চাউই, য়াম্না ফজে। সোরারেন য়াম্না চাউই অমসুং



তাইবংপান্দা লৈরিবা য়ুমদগী ফজবা য়াম্না হেল্লি।

যীশুনা হায়, ঐ নখোয়গী দমক মফম থৌরাং তৌবা চৎলি। অদুগা ঐনা নখোয়গী মফম থৌরাং তৌবা চৎলবদি, ঐ অমুক লাক্তুনা নখোয়বু ঐগী নাক্তা লৈমিন্নবা তরাম্না লৌশিনগনি"। যীশু শিবদগী হিংগৎলবা মতুংদা সোরারেন্দা চৎখি। যীশুনা সোরারেন্দা চৎপা অমসুং লৈচীল মরক্তা চঙখিবা তুংইনবশিংনা উহৌই।



মতম অদুদগী, খৃস্ত্যানশিংনা যীশু অমুক মখোয়বু লৌবা লাক্কনি হায়না ব্রাশকলম্বা অদু নিঙশিংদুনা লৈ। যীশুনা হায়রম্মি, খঙহৌদনা থাজদবা মতমদা মহাক শোইদনা লাক্কনি হায়না যীশুনা হায়রম্মি। অদুবু যীশু লাকত্রিঙৈদা শিখিবা খৃস্ত্যানশিং করি ওইগনি?

বাইবলনা হায়, মখোয় যীশুগা হকথেংননা লৈমিন্নরুগনি। হকচাংদগী তোঙানবা হায়বসি শেম্বীবা মপুগা লোইননা লৈমিন্নবা হায়বনি।



বাইবলগী অরোইবা লাইরিক ফোংদোকপিবদা সোরারেনগী মরমদা মরিক চুম্না তাকই। খ্বাইদগী ঙকপা অমসুং মরু ওইবা ৱাফমদি, সোরারেন অসি শেম্বীবা মপুগী য়ুমনি। শেম্বীবা মপুদি মফম খুদিংদা লৈ অদুবু মহাক্কী ফম্বালদি সোরারেন্দা লৈ।



সোরারেনগী মনাইশিং অমসুং সোরারেন্দা লৈবশিংনা শেন্বীবা মপু খুরুম্মি। মদুগা মান্ননা শেন্বীবা মপুগী শিখ্রবা সোরারেন্দা কাখ্রবা মীশিংসু খুরুম্মি। মখোয়না শেন্বীবা মপুদা ফজরবা থাগৎ ঈশৈ শকই।



মখোয়না শকলিবা ঈশৈ অমগী ময়েক্লা অসুম্না হায়: **নহাক্তি মতিক চাবা শেম্বীবা মপুনি, ফুরুপ অমসুং লৈবাক খুদিংদগী ঐখোয়বু নহাক্কী মমল য়াম্লবা ঈ অদুনা শেম্বীবা মপুগী মফমদা হন্দোকপিরে অমসুং ঐখোয়বু শেম্বীবা মপুগী মাংদা নিংথৌ অমসুং অমাইবশিং ওইহনবিরে।**

(ফোং.5:9)



বাইবলগী অরোইবা লমায়দা সোরারেনবু “অনৌবা য়েরুসালেম” ওইনা শুগাইনা তাকই। মদু য়াম্না চাউই, অৱাংবা চেকপলনা কোইশিল্লি। চেকপল অদু মমল য়াম্লবা তম্ফা অশংবা নুংনা শাই অদুগা ময়েক শেংনা উই।



চেকপলগী লৈখোৌঙশিং অদু মমল য়াম্লবা নুং মখল কয়ানা লৈতেংই, ফজরবা মচুনা মৈরিককুম ইরং লংই। অচৌবা খুনজাউ অদুগী থোৌঙগাল খুদিংমক মমল য়াম্লবা অচৌবা নুংনা শাই!



মমল য়াম্লবা অচৌবা নুংনা শাবা থোঙগালশিং অদু মতম চুপ্পদা হাংদুনা লৈ। মনুংদা চঙদুনা য়েংসি... ৱাৱ! সোরারেন অসিদি মনুংদা হেন্না ফজৈ। অচৌবা খুনজাউ অসি অশেংবা সানানা, অরংবা মিংশেলগা মান্নে। লম্বী ফাওবা সানানা শেমলম্মি।



য়াম্না ফজরবা, অরুবা হিংবগী ঈশিং তুরেল শেম্বীবা মপুগী ফম্বালদগী চেল্লি। তুরেল অদুগী অতোপ্পা নাকন্দা এদেনগী লৈকোন্দা অহানবা লৈরম্বা অহিংবা উ-পাম্বী হৌই। উ-পাম্বী অসি য়াম্না মরু ওই। মসিদা থা খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা উহৈ পাল্লি। অমসুং অহিংবা উ-পাম্বী অসিগী মনানা লৈবাকশিংগী অনাবা ফহল্লি।



সোরারেন্দা নুমিৎ নত্রগা থাগী মঙাল মথৌ তাদে। শেম্বীবা মপুগী অঙকপা মতিক মঙালনা ঙান্দুনা লৈ। মফম অদুদা অহিং হায়বা লৈতে।



সোরারেন্দা শা-ষন ফাওবা তোঙাল্লি। মখোয় মবুক তপ্পী অমসুং তীন্নবা য়াই। কৈশাল অমসুং য়াউশিং পুন্না চাকতামিন্নে। মপাঙ্গল কল্লবা নোংশা ফাওবা শনাও মচাগুম চরু চাই। ইপুরোইনা হায়, “ঐগী অশেংবা চিঙজাউ মথক্তা মখোয় অশোক-অপন লৈরোই নত্রগা মাঙ-তাকহনবা ঙম্লোই"।



ঐখোয়না কোইনা য়েংবদা, সোরারেন্দা লৈতবা পোৎশিং ঐখোয়না উবা ঙম্মি। অশাউবা ব্না তাবা ফঙদে। খৎনা-চৈনবা অমতা লৈতে নত্রগা মশাগী ওইজবা থিবা লৈতে।



থোঙ শো পান্দে, মরমদি সোরারেন্দা হুরানবা লৈতে। মচিন থিবা মী লৈতে, মীহাৎপা, পোৎশেম শানবা, নত্রগা ফত্তবা মী অমতা লৈতে। সোরারেন্দা অয়োন-অরান মখল
অমতা লৈতে।





সোরারেন্দা শেম্বীবা মপুগা লোইননা লৈবা মতমদা মিৎতগী পি তাবা লৈররোই। করিগুম্বা মতমদা, তাইবংপানবগী অৱাবনা মরম ওইদুনা শেম্বীবা মপুগী মীশিং কপ্পি। সোরারেন্দা, শেম্বীবা মপুনা ঐখোয়গী মিৎকী পি তৈথোকপিগনি।

সোরারেন্দা শিবা নাইদে। শেম্বীবা মপুগী মীশিং ইপুরোইগা লোইননা মতম চুপ্পা লৈমিন্নগনি। অৱাবা, মীকপ-মীরাউখোন, হকচাং নাবা অমতা লৈরোই। হকচাং নাবগী অৱাবা, খাইনবা, শিবগী পোৎলোইবা অমতা লৈরোই।

মী খুদিংমক সোরারেন্দা
শেম্বীবা মপুগা লোইননা
মতম পুন্নমক্তা
নুংঙাইনা লৈ।



খ্বাইদগী ফবা, সোরারেন অসি যীশু খৃষ্টবু কনবিবা মপু অমা ওইনা থাজবা অমসুং মহাক্কী হায়বা ইনবা নিপামচাশিং অমসুং নুপীমচাশিংগীনি (অহল ওইরবা মীশিংগীসুনি)।



সোরারেন্দা য়াউ মচাগী হিংবগী লাইরিক হায়না কৌবা লাইরিক অমা লৈ।
মসিদা মীগী মমিং পিক থন্না ইদুনা লৈ। মদুদা কনাগী মিং ইদুনা লৈ হায়বা
নঙ খঙব্রা? যীশুদা থাজবা থমবা মী পুন্নমক্কী মমিংনি।
নহাক্কী নমিং মদুদা য়াওরব্রা?



সোরারেনগী মরমদা বাইবলগী অরোইবা ৱাহৈদা অঙকপা পাউকৎ অমা পিরি।

“থৱায় অশেংবা অমসুং লুহোংবগী পীবারেন অদুনা হায়, ‘লাকউ!’

মসি হায়বা তাবা মীনা হায়সনু 'লাকউ'!



অদুগা খৌরাংবা মী অদুনা লাকসনু। অমসুং অপাম্বা লৈবা মী খুদিংনা, লাক্তুনা হিংবগী ঈশিং অদু মমল পিদনা লৌজসনু।”



শেম্বীবা মপুগী নিংথিজরবা য়ুম, সোরারেন

শেম্বীবা মপুগী ৱাহৈ, বাইবলদা য়াওবা ৱারী

অসিদা ফঙই

যোহান 14; 2 কোরিন্থীয় 5;
ফোংদোকপিবা 4, 21, 22

“নহাক্কী ৱাহৈ চঙলকপদা মঙাল ফঙই।”
ঈশৈ লাইরিক 119:130

# অরোইবা

বাইবলগী ৱারী অসিনা মতিক-মঙালনা
থল্লবা ঐখোয়গী শেম্বীবা মপুগী মরমদা অমসুং ইবুংঙো মহাকপু
ঐখোয়না মশক খঙবা মহাক্না পাম্মি হায়বগী মরমদা ঐখোয়দা তাকপি।

শেম্বীবা মপুনা অয়োন-অরান হায়না কৌবা ফত্তবা থবকশিং ঐখোয়না তৌরে হায়বা ইবুংঙো মহাক্না খঙই। অয়োন-অরানগী অতৌমলদি শিবনি, অদুবু শেম্বীবা মপুনা নহাকপু অসুক্কী মতিক নুংশিবী মরম অদুনা মহাক্কী অমতা ঙাইরবা মচানিপা যীশুবু নহাক্কী অয়োন-অরানগী উশিন ওইনা উ-কারোং মথক্তা শিবিনবা থাবিরে। অদুগা যীশুনা অমুক শিবদগী হিংগৎতুনা সোরারেন্দা কাখি! নহাক্না যীশুবু থাজরবদি অমসুং নহাক্কী অয়োন-অরানশিং কোকপিয়ু হায়না মঙোন্দা হায়জরবদি, মহাক্না শোইদনা কোকপিগনি! মহাক নঙগী পূন্সিদা লাক্কনি অমসুং মহাক্কা লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংমিন্নবা ফঙগনি।

নঙনা মসি অচুম্বনি হায়না থাজরবদি, অসুম্না শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ: নুংশিরবা যীশু, ঐ নহাকপু শেম্বীবা মপুনি হায়বা থাজৈ, নহাক্না তাইবংপান্দা মী ওইনা লাক্তুনা ঐগী অয়োন-অরানগী দমক শিবি অমসুং শিবদগী হিংগৎখি। ঐগী পূন্সিদা লাকপিয়ু অদুগা ঐগী অয়োন-অরানশিং ঙাকপিয়ু, অদুগা ঐ অনৌবা পূন্সি হৌজিক ফঙজগে অমসুং নহাক্কা লোইননা লোম্বা নাইদনা হিংবা ফঙজগে। নহাক্কী হায়বা ইনবা নচা অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা ঐগী ইতেং পাংবিয়ু। অমেন।

নুমিৎ খুদিংগী বাইবল পাও অমসুং শেম্বীবা মপুদা হায়জৌ! যোহান 3:16